# দেল্লিগী মিনিষ্টর ওইরম্বা জিটেন্দ্র সিংহ টোমারগী সাইন্স এন্দ লো দিগ্রিশিং অদু অরানবা ওইরম্লে ঃ পুলিস



ন্যু দেল্লি, জুন ১৩ ঃ
দেল্লিগী হান্না লো মিনিষ্টর ওইরম্বা জিটেন্দ্র সিংহ টোমার মশামক্না অবধ য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা রেকোর্দশিং চ্যেক তৌখ্রে, তৌইগুম্বসুং ওফিসল রেজিষ্টরদা মহাক্কী মমিং য়াওরমদ্রে হায়না দেল্লি পুলিসকী পাউগী লিখুন অমনা হায়রি।

আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী লুচিংবা অসি ফাইজাবাদ অমসুং অযোধ্যা য়াওনা মফম অহুমদা দেল্লি পুলিসনা পুরগা মহাক্কী মাইকৈদগী কুমজা ১৯৮৬-৮৭ তা উত্তর প্রদেশতা লৈবা য়ুনিভর্সিটিদগী মহাককী বেচেলর ওফ সাইন্স (বি এস সি) সাইন্স দিগ্রি লোইশিনখ্রে হায়না ক্লেইম তৌরিবা অদু ভেরিফাই তৌনবা হোৎনখি।

পুলিসকী পাউগী লিখুন্না হায়, য়ুনিভর্সিটিগী মাইকৈদগী মখোয়দা কনফর্ম তৌরকখিবা অমদা জিটেন্দ্র সিংহ টোমার কৌবা কনাগুম্বা মীওই অমগী মমিং অমত্তা বি এস সি প্রোগ্রামগীদমক্তা মীং চনবা লৈখিদে। ওফিসলশিংনা পুলিসতা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা ক্লেইম তৌবগী মতুং ইন্না রাইট টু ইনফোর্মেশন (আর টি আই) গী ৱাহং অমা কৈদৌঙৈদসু ফাইল তৌখিবা নত্রগা য়ুনিভর্সিটিগী মাইকৈদগী পাউখুম পীখিবা লৈতে।

টোমার অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মীনম নমথাক তৌবা অমসুং ফোর্জরিগী চার্জশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা ফাখিবনি। বার কাউন্সিল ওফ দেল্লিনা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা মহাকপু ফাখিবনি। পুলিসনা অশাবা বি এস সি দিগ্রি অমা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা মীওই অসিনা বিহার য়ুনিভর্সিটিদা বেচেলর ওফ লো (এল এল বি) কোর্সতা মিং চনবা ফংনবগীদমক্তা মতৌ করম্না শীজিন্নরল্লিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক অদুদা মীৎয়েং চংদুনা লাকখি।

মহাক্নদি মহাক্কী লো দিগ্রি অসি বিশ্বানাথ সিংহ ইন্সটিট্যুট ওফ লিগেল ষ্টদি ওফ কোলেজ, মুঙ্গরদা কুমজা ১৯৯৯ দা লোইখ্রে হায়না ক্লেইম তৌরি। কোলেজ অসি বিহারদা লৈবা টির্ক মঝি য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিএট তৌবনি।

পাউগী লিখুনশিংনা থাজবা থল্লিবদি, য়ুনিভর্সিটিদা মীং চনবা ফংনবগীদমক্তা শীজিন্নখিবা মাইগ্রেশন সার্টিফিকেট অদু অরানবা ওইগনি হায়বসিনি। সার্টিফিকেট অসি বন্দলখান য়ুনিভর্সিটিনা ইশ্যু তৌবনি। টোমারগী মমিং অসি মহাক্না এল এল বি লোইখ্রে হায়রিবা মফম অদুগী কোলেজ রেজিষ্টরদা লৈরম্বা ওইরগসু মহাক্না পায় হায়না হায়রিবা দিগ্রি অদুগী মার্কসিট অমত্তা মঙোন্দা লৈরমদে। বিহার য়ুনিভর্সিটিগী ওফিসলশিংবু মখা তানা ইনভেষ্টিগেশন তৌনবগীদমক্তা পুলিসনা সমোন তৌরবা য়াই।

পনবা য়াই, টোমার অসি দেল্লি পুলিসনা সকেট কোর্টতা পুখিবনি অমসুং মফম অদুদা পুলিসনা এ এ পিগী লুচিংবা অসি নুমিৎ ১১ নিগী রিমান্দগীদমক্তা তক্লখিবনি।

# য়েমেনগী এক্স লিদরগী মরী মতাশিংনা খুন্দারিবা এরিয়াদা এয়র র‍্যেদ চথখিবদা মীওই ৯ শিখ্রে

সানা, জুন ১৩ ঃ
এক্স প্রসিদেন্ট অলি অবদুলা সালেহগী মরী মতাশিংনা খুন্দা লৈতারিবা য়েমেনি কেপিটেল সানাগী মনুং চনবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংলিবা কোলিশনগী লালগী প্লেনশিংনা বোম হৈথদুনা লাল দাখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে হায়না খুঙ্গাশিং অমসুং মেদিকেল সোর্সকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

য়ামদ্রবদা মীওই ৬০ রোম অশোক অপন নংহনখিবা নোংথক্তগী র‍্যেদ চথরকখিবা অদু য়ু এননা স্পোন্সর তৌদুনা য়েমেন্দা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসি লোয়শিন্নবগী পান্দম মখাদা জিনেভাদা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরিবা অদুগী মাংওইননি।

রেসিদেন্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লালগী প্লেনশিং অদুনা সানা ময়োলমক্কী মনাক্তা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা বাইট মে'য়াদদা লৈবা মী অমত্তা লৈত্রবা য়ুমশিংদা টার্গেট তৌরকখি। য়ুম অদু সালেহগী মরী মতাশিংগী লৈফমনি।

এক্স প্রসিদেন্ট অলি অবদুলা সালেহগী লোয়েলিষ্টশিং অসি হোথি ফোর্সকা মীচং চুংশিন্নরিবনি। পোষ্ট অসি য়েমেন্দা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিগী মনুংদা য়াম্না দোমিনেন্ট ওইরিবা আর্মদ্ ফেক্সন অমনি।

থৌদোক অদুবু মীৎনা হকথেংননা উহৌবা মোহম্মদ য়াহিয়া কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না সালেহগী মরী মতাশিংগী য়ুম অনীদা মীসাইল অনী কাপশিল্লকখি।



অহুমশুবা মীশাইল অমনা য়ুমথংনবা অমগী ময়াই চবুক্তা পোকখায়রকখি। মসিনা মরম ওইদুনা অশোক অপন অমসুং মীশি মীনা নংহনখি।

থৌদোক অদুবু উহৌবা অতোপ্পা মীওই অমনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, য়ুমলোন্নবা মফমদা অহুল্লক পোকখায়বগী মখোল তাবা ফংখি। ঐখোয়নদি য়ুম অদু ঐখোয়গী কোকথক্তা তারুরবগুম খনখি হায়না ফোঙদোরকখি। থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অদু অলি অহম্মদ কৌই হায়না এজেন্সিগী পাউ অসিনা মখা তারি।

পোকখায়বগী মখোল অদু তারকখিবদা ঐখোয়না নুপী অঙাংশিংগা লোয়ননা চেনখি অমসুং ষ্টিয়রৱেলগী মখাদা লোৎতুনা লৈখি। থৌদোক অদু অদুক্কী মতিক তমথিনিংঙাই ওই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মেদিকেল সোর্সকী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা য়াম্না শাথিনা শোক্লবা মীওই ৯ হোস্পিটালদা হেক য়ৌবগা শিখি। অতৈ অতোপ্পা মীওই ৬০ না কেপিটেলদা লৈবা হোস্পিটাল অহুমদা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ত্রিটমেন্ট চথরি।

সালেহ অসি য়েমেন্দা য়াম্না শক্তি লৈবা মীওই অমা ওইরকখি। মহাক্না হান্নগী রুল্লিং পার্টি, দ জেনরেল পিপল'স কোঙ্গ্রেসবু কন্ত্রোল তৌদুনা লাকখি অমসুং মহাকপু নীংবা মীওই কয়াসু মিলিটরিদা য়াওখি।

কুমজা ২০১১ দা মহাক্না মতম শাংনা ওথোরিটরিয়ন লৈঙাক চলাইরকখিবা অদুগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্না প্রোটেষ্ট তৌরকখ্রবা মতুং মহাক মফম থাদোকখিবনি।

# বঙ্গলাদেশনা মসিগী লৈমায়দগী অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং তকথোক্লি ঃ বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স

শিল্লোং, জুন ১৩ ঃ
বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সনা পীবা পাউগী লিখুনগী মতুং ইন্না বঙ্গলাদেশতা লৈবা ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী লৈবাক্তা লোৎতুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবশিং তকথোকপা হৌখ্রে হায়না বি এস এফকী সেনিয়র ওফিসল অমনা মফম অসিদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না মিলিটেন্টশিং অদু মখোয়গী মেকসিপ কেম্পশিংদগী তকথোকখিনবগীদমক্তা বঙ্গলাদেশতা ওপরেশনশিং চথরে হায়বদু ঐখোয়দা পাউ পীরকখ্রে। অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবশিং বঙ্গলাদেশতা চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়বগী মতাংদা বি এস এফনা মতম মতমগী মতুং ইন্না বোর্দর গর্দ বঙ্গলাদেশ (বি জি বি) গা স্যের তৌমিন্নদুনা লাকখি হায়না বি এস এফকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা হায়খি।

ৱাফম অসি বি এস এফকী মাইকৈদগী মফম অসিদা লোইশিনখিবা বি জি বিগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা বোর্দর কোওর্দিনেটিং মিটিং অমগী মনুংদা খঙলকখিবনি। কনফরেন্স অদুগী মনুংদা, বি এস এফনা বি জি বিদা বঙ্গলাদেশকী তেঙান তেঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কেম্প ৩৯ গী লিষ্ট অমা খুৎশিন্নখি অমসুং কেম্পশিং অদুদা র‍্যেদ চথনবা অমসুং মিলিটেন্টশিং অদু ফাননবগীদমক্তা মখোয়গী কোওপরেশন পীবিনবা তকশিনখি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

বি এস এফকী মাইকৈদগী বঙ্গলাদেশ নেশনেলনা বোর্দরগী ঙমখৈগী লমদা ভাইওলেশন চথবা অমসুং হুরানবা, দেকোইটি, কিদনেপিংনচিংবা ক্রাইমশিং চথবগী মতাংদসু মীফম অদুদা পুখৎখি।

অতোপ্পা নাকল অমদা, বি জি বিনা বোর্দরদা বোর্দর রেসিদেন্সশিংনা বঙ্গলাদেসিশিং হাৎখিবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি অমসুং বঙ্গলাদেশতা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা অমদি চীঙগী মফমশিংদা শাবা বোর্দর আউট পোষ্টশিং মেন্তেন তৌনবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী লম্বীশিং শীজিন্নবা অমসুং লোজিষ্টিক সপোর্টকী মতাংদা হায়জখিবা লৈরগসু অসিগুম্বা থৌওং অসি চৎথে হায়না বি জি বিনা পুখৎলকখি।



বি এস এফকী মেঘালয়া ফ্রন্টিয়রগী ইন্সপেক্টর জেনরেল সুদেস কুমারনা লুচিংখিবা বি এস এফকী দেলিগেশন অদুগা বঙ্গলাদেশকী এদিসনেল দাইরেক্টর-জেনরেল (রিজন কম্মান্দর নোর্থ ইষ্ট) ওইরিবা এম দি লটিফুল হায়দরনা লুচিংবা দেলিগেশনগা কনফরেন্স অদু পাঙথোকখিবনি।

# থিফম খঙদনা লৈরিবা দোর্নিয়র এয়র ক্রাফ্টকী ওইরমগনি হায়বা ইন্টরমিটেন্ট বিকোন সিগনেলশিং ফংলে

ন্যুদেল্লি, জুন ১৩ ঃ
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্রু মেম্বর অহুমগা লোয়ননা চেন্নাইগী সমুদ্রদা থিফম খঙদনা মাঙখিবা দোর্নিয়র এয়র ক্রাফ্ট অদুগী ওইরমগনি হায়না বিকোন সিগনেলশিং নেভিগী জহাজ অমনা ফংবা ঙমখ্রে।

আই এন এস সন্ধ্যকনা পোর্ট নোবো অমসুং করাইকল অনীগী মরক্তা লৈবা পোদুচেরিগী খা থংবা শরুক্তগী সিগনেলশিং অদু ফংখিবনি। মফম অদু কোষ্ট গর্দকী এয়র ক্রাফ্ট অদুনা থিফম খঙদনা মাঙখিবা এরিয়া অদুগা নক্লনা লৈবনি। আই এন এস সন্ধ্যকনা সব-সর্ফেস সর্চ চথদুনা লাকখি, থিফম খঙদনা লৈরিবা এয়র ক্রাফ্ট অদুগী সোনার লোকেটর বিকোন (এস এল দি) দগী ওইরমগনি হায়বা ৩৭.৫ কে ঐচ জেদগী ইন্টরমিটেন্ট ত্রান্সমিশন অদু দিটেক্ট তৌখিবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদগী থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ঙসি ফোঙদোরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লিবদি, মচু কয়াগী ইনকোনসেন্ত্রিক সার্কলসু উবা ফংলে। মদু থাউ য়ুরকপা ওইরক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

থাউগী সেম্পল অদু এনালাইসিস তৌনবগীদমক্তা লেবোরেটরিদা থাখ্রে। হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবা মতমদা, টেষ্ট রিপোর্টনা ঈশিংগী সেম্পল অদুদা য়াওরিবা এভিএশন ফ্যুএলগী খোঙ্গুল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা রুটিন সর্ভিলেন্স ফ্লাইট অমা ওইনা চেন্নাইদগী দোর্নিয়র এয়র ক্রাফ্ট অদু পাইখিবনি অমসুং নুমিদাংগী পুং ৯.২৩ ফাওবা ত্রিচিদা রাদরনা চিদম্বরম সমুদ্রদগী কিলোমিটর ১৬ লোম নোংপোক্তা চৎলগা লৈবা মফমদা এয়র ক্রাফ্ট অদু লৈবা থেংনখি। এয়র ক্রাফ্ট অদু দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট বিদ্যাসাগরনা থৌখিবনি অমসুং এয়র ক্রাফ্ট অদুদা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এম কে শ্বামি, কো-পাইলোট, অমসুং নেভিগেটর দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট সুভাস সুরেস তোংখিবনি।

জহাজ তরাগী ফ্লিট অমনা থিফম খঙদনা লৈরিবা এয়র ক্রাফ্ট অদুগী খোঙ্গুল লিননবা দিপ্লোই তৌরকখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা আই এন এস সিন্ধুধ্বাজ য়াওরি। মসিনা মাঙখিবা এয়র ক্রাফ্ট অদু ফংনবা হোৎনবগীদমক্তা থি হুম্বগী ওপরেশন্দা ঙসিদগী শরুক য়াগনি।



কোষ্ট গর্দনা এক্সপরিএন্স লৈরবা দাইভরশিং, সাইন্টিষ্টশিং অমসুং মাইক্রোবাইওলিষ্টশিংসু দোর্নিয়র এয়র ক্রাফ্ট অদু কদাইদা লৈরি হায়বা খঙদোক্নবা হোৎনবগী থৌশিলশিং শরুক অমা ওইনা শিজিন্নরি। নেশনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ওসিন টেক্নোলোজিগী রিছার্স ভেসেলসু থি হুম্বগী থবক অদুদা তেংবাংনবা রিজন অদু তম্না চংশিনখ্রে।

# পুং ২৪ গী মনুংদা য়ুক্রেনিয়ন সার্ভিসমেন তরুক শিখ্রে

কিব, জুন ১৩ ঃ
হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা সেপরেটিষ্টকী ইরাং লৈরিবা নোংপোক থংবা টেরিটোরিদা য়ুক্রেনিয়ন সার্ভিসমেন তরুক শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ১৪ না অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অসি থা মরি রোম শুরবা সিজ ফায়রগী দিল অমা লৈনা লৈনা থোকখিবনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা ঙসি ফোঙদোরকখি।

য়ুক্রেন, রসিয়া, জর্মনি অমসুং ফ্রান্সকী লুচিংবশিংনা শিন্দুনা চৎনরকখিবা ক্রুস অদু পাক শন্না খুৎ থোক্লরকপনা মরম ওইদুনা মপুং ফানা চৎনদবগী ফিভম লৈরকখি। তৌইগুম্বসুং নুমিৎ খুদিংগী ওইনা নাকল অনীমক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবগী রিপোর্টশিং লৈরকখি।

অমরোমদা ইন্টরনেশনেল মোনিটরশিংনা লৈবাক অসিগী মনুংদা হেন্না চাউবা ঈরাং অমা লাক্কবগী থ্রেট লৈরে হায়বগী ৱার্নিং তৌখ্রে। ফিভম অসি য়াম্না মরু ওইবা মওংদা লৈরকপগা লোয়ননা লালহৌবশিংনা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরিবা দোনেস্ক সিটিগী মনাক্তা লৈবা এয়র পোর্টকী অকোয়বা মফমশিংদা ঈরাং লৈরে হায়না মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই এন্দ্রি লাইসেনকোনা হায়খি।

য়েক্লবনা টেক্কশিং, অর্মর পার্সনেল কেরিয়রশিং অমসুং হেভি আর্টিলেরিশিং লানফমদা থাজিল্লকখি। লালহৌবশিংনা রেসিদেন্সল এরিয়াশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থবক চথরি হায়বসি ঐখোয়না য়াম্না কন্না ফোঙদোকপা পাম্মী হায়না মহাক্না ব্রিফিং অমদা হায়খি।



মীশি মীনা অমসুং অশোক অপন নংলিবা অসি প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্ট লোয়ন লোয়ননা মাইনশিংগা ইনকাউন্টর তৌনরকপদগী সেল্লিং তৌশিল্লকখিবদগীনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মরক অসিদা, সেপরেটিষ্ট ওফিসলশিংনা দোনেস্ক মনাক্কী ওকটিয়াবস্কাই খুঙ্গংদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা মীচম অনী অশোক অপন নংখ্রে অমসুং হৌখিবা নুমিত্তা সিটি অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা সেল্লিং তৌশিল্লকখি হায়নসু মরাল শিখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা, দ ওর্গেনাইজেশন ফোর সেক্যুরিটি এন্দ কোওপরেশন ইন য়ুরোপনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নাকল অনীগী মনুংদা কনামত্তনা হেভি ৱেপনশিং মপুং ফানা লৌথোকপগী ৱাফম লৈত্রি। সিজ ফায়র দিলদা হেভি ৱেপনশিং লৌথোকপা হায়বা ৱাফম অসি য়ান্নখিবনি। য়ান্নখিবা অসি লৈরগসু নাকল অনীমক্না থবক ওইনা পাঙথোরকপা লৈত্রি।

HL-B/2535/28/5-27/6

ꯍꯩꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ / লায়েংজরি (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৰক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্না, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোক্কনি)
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী ফেমিলিদা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু

(গুপ্তা টুঠ পাৱদর (য়াগী হিদাক)
পাৱদর অসি শিজিনরগা অমদি য়া নাবা, ঈ থোকপা, য়ারি পোমখৎপা, য়া মুশিনবা নত্রগা হঙ্গামপাল কাশিনবা ফবা ঙম্মী অমদি য়া ঙৌনা অমসুং শেংনা লৈগনি। য়ারি নাই চাবা ফগনি।
* মমল লুপা ৪০ খক্তনি। হায়রিবা হিদাক অসি অদোম্না লৈবা অমসুং য়োনবীবা ঙমগনি নহাক্কী লোকেলিটিদা। য়া মখোং শেংনা থম্বা ঙমগনি। * কম্মিশনসু পীজগনি।

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking, Khuyathong, Imphal-795001

Help! ꯍꯩꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ Help!
HOUSIE BUMPER DRAW
Today Today
In aid of
Participation for WAKO Asian Senior Division Championship 2015, Pune, India of Imphal West Kick Boxing Association (IWKA)
Orgd. by :
Imphal West Kick Boxing Association, (IWKA)
Lamphelpat, Manipur
Affiliated to Kick Boxing Association of Manipur (KAM)
Regd. No. 52/SR/MAN-97
Ticket Rate Rs. 1000/-
ATTRACTIVE PRIZES :
1st House Full : Rs. 1,50000/-
2nd House Full : Rs. 50,000/-
ALL LINES. QUICK FIVE STAR OF IWKA : Rs. 10,000/- each
MINI BUMPER HOUSEFULL:Rs. 50,000/-
Ticket Rate Rs. 300/-
ALL LINES. QUICK FIVE STAR OF IWKA : Rs.4,000/-each
NB: Draw numitki nungthil 4:00 pm faobagi manungda PAID toubibasingi oina Special DRAW ama hapchagani
On 14th June, 2015 (Sunday) at 6.00 p.m. Sharp
Venue : Shankar Cinema Hall, Lamphel
Contact : 9089791922/9089722982
HL-P/5429/14

ꯍꯩꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ - ꯲꯰꯱꯵
DIRECT ADMISSION 2015
MBBS,BDS,MDS,MS,BAMS
B.TECH-Civil, IT, Nano, ECE,EEE,
Aeronoutical, Mechanical, Medical.
DIPLOMA Engg. LATERAL ENTRY. M.TECH
NURSING- M.Sc./ BSc. / PBBSc. / GNM
PHAM D, BPHAM, DPHAM, MLT, X-RAY.
BSc.OPTOMETRY, BA.LLB - (5yr & 3yrs)
BSc.AGRICULTURE / HORTI. / FORESTRY
BSc & MSc.-FOOD TECH,MICROBIOLOGY,
BIOTECH, IT, BIOCHEMISTRY, MASSCOM.
BATourism.BBA,BCA,MCA,MBA,BCOM,MCOM
BSc. HOTEL MANAGEMENT & TOURISM.
CONTACT - 8974027832 / 9774003612
NEEC,Thangmeiband DM College Gate,NCC
9862593686 / 9856171455 -2000 Infotech
TSE/C–01 (30 days)
Comp. Centre SUNUSIPHAI, PHUBALA
FREE FLIGHT TICKET FOR EARLY BOOKING
HL-B/2550/4/6-3/7
HL-B/2544/30-29June

LOTUS Girls' Hostel
Sega Road Konjeng Hajari Leikai, Imphal
near Hodam Leirak Oil Pump or opposite Huiyen Lanpao
Regd. no. - 14/006/22/04759 Govt. of Manipur
The safest place for the Girl Students with Sound Academic Atmosphere
Facilities
1. The Lowest Hostel Fee in the City
2. Coaching available and provide free transport for all Coaching centres
3. 24/7 power supply, hygenic food & water
4. Take extra responsibility for the student's transport on emergency band, strike etc.
For Details please contact Office. # 8259042480

ANGELS' COACHING CENTRE [ACC]
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
CLASS- I to X (LAST BATCH)
CLASS XI - XII (COHSEM, CBSE)
START ON 11TH JUNE, '15
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.
TOPPERS OF 2013: 1st POSITION MIRANDA M.; 3RD POSITION RATIMANJURI; 5TH P MIRANDA; 6TH P SYDENY TH.; 14TH P VIVEK A.; 15TH P REMA NAOREM; 16TH P SADA SALAM; 16TH P CHITRA KH.; 22ND P BIDYALUXMI; 24TH P JAYALUXMI; 24TH P PRESCILA
TOPPERS OF 2014: 3RD Position LUHIYA NG.; 6TH P NEERA S.; 9TH P KHONEESH; 9TH P HARISON; 12TH P KAILASH KUMAR; 13TH P L. DENILSON; 16TH P KH. PRAVIN; 18TH P BONNIE W; 20TH P KELVIN M.; 21ST P MALEMNGANBA; 23RD P INDERKUMAR
TOPPERS OF 2015
2nd POSITION G. Gopal Krishna, Don Bosco, Imphal
3rd POSITION Ng. Victoria, Nirmalabas, School
4th POSITION S. Shivaranjani, Catholic School
7th POSITION RK. Babysana, Nirmalabas, School
9th POSITION Ksh. Monica, Little Flower School
11th POSITION Thangminlal H., CTS Langol
20th POSITION Bilson Oinam, St. Joseph School
21st POSITION Gita E., Nirmalabas School
21st POSITION S. Saya Devi, Pole Star, Patsoi (Angels' Border)
22nd POSITION N. Nonibala Devi, Tiny Tots, Imphal
23rd POSITION Jasmine H., HRDA, Ghari
SUBJECT TOPPERS : Social Science 1. G. Gopal Krishna (97)
Mathematics(100) 1. G. Gopal Krishna 2. Ng. Victoria 3. Ksh. Monica
Contact No.: 9856988840 9863265726 9863222153
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Van service upto 10km
All Classes are strictly monitored by CCTV
HL-B/2404/18/5-17/6
HL-B/2396/13/5-27/6

